HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

Emergent Manipur
লামায় ১

ইমর্জেন্ট মণিপুরগী থৌরমদা এম ঐচ এনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসননি হায়না লাউথোকখ্রবা নোংপোক সেকমাই পি এসকী ও সীদা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ১গী কেস রিৱার্দ পীখিবা

কোভিদ-১৯গী অপদেট পীননবা ৫রকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা হেল্থ দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা

পাকিস্তান্না ট্রেন তৌবা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপনি হায়বা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা বি এস এফকী ৫৯শুবা বট্টালিয়নগী এস আই পাওতিনসাট গুইতেগী হকচাং মফৌ কুকি ভিলেজদা পুরক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

এম এস আর এল এমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট তেংনৌপল ব্লোক্না শীন্দুনা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌসালিয়া যোজনাগী মতাংদা পাঙথোকখিবা এৱোর্নেস প্রোগ্রাম

Vol. 44, Issue No. 248 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ২০ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, December 05, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

হেল্থ দিরেক্টর নৌনা খন্দবগী মতাংদা ঈরাং লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিরেক্টর নৌনা খন্দবগী মতাংদা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী ডোক্তরশিংগী ঈরাং লাক্কদৌরি।

ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস ডোক্তর এসোসিএসনগী জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী শিরোই হোলদা এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর টি ঐচ সুরেশ অমদি ডা. সুরচন্দ্র শর্ম্মনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা হেল্থকী হান্নগী দিরেক্টরনা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা সিনিয়রমোষ্ট এম ঐচ এস ওফিসর অমনা মেনশিনগদবা অদু হৌজিক ফাওবা মেনশিন্দনা লৈরি। এসোসিএসন অসিনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা এদহোক বেসিসতা এম ঐচ এস ওফিসরবু রিএনগেঞ্জ নৎত্রগা রিইমপ্লোয় তৌবগী ৱারেপ য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। হেল্থ দিরেক্টরগী ফম অসিগী মতাংদা চয়োল অমগী মনুংদা ময়েক শেংবা ৱাফম অমা খঙহন্দ্রবদি এসোসিএসন অসিগী জি বি মীফম পাঙথোক্তুনা মখা তানা করি তৌগদগে হায়বদু লেপ্পগনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী প্রধান গুরু ওইরম্বা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী উমংলাই হরাওবা দিপার্টমেন্টকী বোর্দ ওফ ষ্টদিজ ওইরম্বা রাজ কুমার নোবিনচন্দ্রনা লৈখিদবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী উমংলাই হরাওবা দিপার্টমেন্টকী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ওজা অসিনা লৈখিদবসি মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অৱাৎপা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরব্নবা থৌনিজরি। লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু দিপার্টমেন্ট অসিনা শরুক য়াজরি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর উমংলাই হরাওবা দিপার্টমেন্টকী হেদ ইন-চার্জ ডা. ঙানবী চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: MHRD na Manipur University gi hangduna leiriba VC gi pham mensinnanaba matik chaba thourang loukhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Koubru laiphamlen, Lai Pukri, Ibudhou thangjing leiriba mafamsing protected site oina laothoknaba leingakki thourang thagatningai oibra?

Yes	100%	No	0%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.২৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.৮৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- মৈগী ফীভম ফগৎ...



... তারিকো, সার ?

ম্যান্মার লৈঙাক্না ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর ১ অমসুং ২ দিসেম্বর ৩১ ফাওবা থিংখিগদৌরি

INDO MYANMAR FRIENDSHIP GATE

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কয়াগী মমাঙদগী থিংদুনা লাকখিবা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর ১ অমসুং ২ ম্যান্মার লৈঙাক্না দিসেম্বর ৩১ ফাওবা থিংখিগদৌরি।

ম্যান্মার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তমুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর কিয়াও ৱিন উনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা ম্যান্মারদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপদা কন্ট্রোল তৌনবা অমদি লাকশিন্নবগীদমক ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর ১ অমসুং ২ অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা ম্যান্মারগী মায়কৈদগী থিংখিগনি হায়না খঙহল্লকখিবনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা অথিংবা লৈরবসু নারোন্দা বোর্দর লান্দুনা মী চঙথোক-চঙশিন তৌনরি। মোরেদা ম্যান্মার ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

পুলিসনা সলাইগী একাওন্ট ৩৬ ফ্রীজ তৌবা

একাওন্টশিং অসি করিগীদমক কনাগী ওথোরিটিদা ফ্রীজ তৌরিবনো হায়না কোর্টনা পুলিসতা হংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বরচ ০৪ (ঐচএনএস): সলাই গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি ওইরম্বা নারেংবম সমরজিৎনা ওক্টোবর ২৯, ২০১৯দা লণ্ডনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোঙান তারে অমসুং মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিল শেম্লে হায়দুনা লাউথোকখিবগী মায়োক্তা এন আই এনা কেস অমা লৌখৎতুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননসু উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ক অমগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট তৌরকই হায়দুনা কেস অমা লৌখৎলগা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাওন্ট ৩৬ ফ্রীজ তৌরে হায়বগী মতাংদা কোর্টনা হায়রিবা একাওন্টশিং অসি করি মরমগীদমক কনাগী ওথোরিটিদা ফ্রীজ তৌরিবনো হায়বদুগী মরম পীরক্নবা পুলিসতা খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি উরিপোক চৈরাক কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট (সি জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা পীখিবা ওর্দর অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ওর্দর অসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ককী মায়োক্তা কেস অমা লৌখৎলে অমসুং সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্টশিং ফ্রীজ তৌরে হায়দুনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)নি হায়রিবা টি ঐচ সঙ্করদেব, এদিশনল এস পি (এল এন্দ ও) গী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২৭তা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কোর্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর-১৪২ ওফ ২০২০ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েলগী মতুং ইন্না পীখিবা সি জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওর্দরনি।

এদিসনল এস পি (এল এন্দ ও) গী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌখিবা রিপোর্ট অদুদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী মশাগী চহী ৭৯লোম শুরবা চিংথাম তোমচা অপোকপা লৈখিদ্রবা সিঐচ মনাও কৌবা মীওই অমনা রিপোর্ট তৌরবদগী উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ক অসিগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়খি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর-৫০ (৩) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৪০৩/৪২০/১২০-বি আই পি সিনি হায়রি।

কমপ্লেনেন্ট অসিনা পুলিসতা ৱাকৎলকই হায়বগী মতুং ইন্না মহাক্না দিসেম্বর ১, ২০১৫দা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ক অসিদা লুপা ৪০,০০০গী শেনফম দিপোজিট তৌখি। শেনফম অসিগী শেন্দোয়না থাদা ২.৮গী চাংদনি। কমপ্লেনেন্টনা হায়রিবা শেনফম অসি দিপোজিট তৌখ্রবা মতুংদা বেঙ্ক অসিদগী শেল অমত্তা লৌথোকখিদে। মরম অসিদগী মহাক্কী শেনফমগী ফংফম থোকপা শেন্দোয়গী শরুকশিং শেলেপ ওইনা ওনখৎতুনা এপ্রিল ২৭, ২০১৯দদি মহাক্কী বেঙ্ক অসিদা লৈবা শেলেপকী শেনফম লুপা ১,৪০,৯৮৬ য়ৌরকখি হায়রি।

মসিদগী বেঙ্ক অসিদা লৈরিবা কমপ্লেনেন্টকী একাওন্ট নম্বর-০৩১০০১০৪০১০৯৭৭ অসিদগী শেল খরা লৌথোক্লবা অমসুং মহাক্কী একাওন্ট অসি অপটুদেট তৌনবগীদমক চৎলুবদা হায়রিবা বেঙ্ক অসি থোঙ লোন্দুনা লৈরম-খিবনি হায়বসিনি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ৱাকৎলক্লিবা মীওই অসিবু নমথাক তৌবীরগা মহাক্কী য়াম্লবা শেনফম অমা ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি তৌদুনা মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়বগী চার্জদা পুলিসনা বেঙ্ক অসিগী মথক্তা কেস অসি লৌখৎপনি হায়খি। ৱাকৎলক্লিবা মীওই অসি এম এস আর টি সিদা থবক তৌরম্বদগী কুমজা ২০০২দা থবক্তগী পোথাখিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়নননা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা চথরকপা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না লৌখৎপা কেসকী চীফ ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইরিবা এস পি দেবিস এন আর মারাকতা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস: দেল্লিদগী মীওই অমা কোর্টনা মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী তরেৎলোমগী মমাঙদা মতমদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) গী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফাগৎখিবা য়াম্লবা দ্রগশিং অদুগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না থাগৎলকপা চার্জসিটতা যূম্ফম ওইদুনা চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা দেল্লিদা লৈবা ফার্মাসি অমগী প্রোপ্রাইটর কোর্টনা মচিন হংখ্রে।

কেস অসি অহানবদা শিংজমৈ পুলিস ...মখা লামায় ৩ কলম ২

লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দদা চীফ মিনিষ্টরস গেলেন্টরি মেদল পীরগনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : নম্বোল পুলিসকী ও সী ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দদা চীফ মিনিষ্টরস গেলেন্টরি মেদল পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ইন্দিয়া টুদে গ্রুপনা মোষ্ট ইমপ্রুভ স্মোল ষ্টেট (ওভর ওল অমসুং লো এন্দ ওর্দর) এৱার্দ হন্দক্তা পীরকখিবা য়াওনা চহী অহুমগা থা নিপাললোম অসিদা তোঙান-তোঙানবা এচিভমেন্টশিংবু সেলেব্রেট তৌবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইমর্জেন্ট মণিপুর হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

চহী কয়া লায়কন্নদুনা লাক্লবা মতুং ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দবু লায়েংবদা চঙখিবা শেনফম পুন্নমক রিএৱ্যর্স তৌরগনি অমসুং লুপা লাখ ১০গী এক্স-গ্রেসিয়াসু পীরগনি। লোয়নননা লৈখিদ্রবা পুলিস ওফিসর অসিগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওই অমদসু লৈঙাক্কী থবক পীরগনি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্সটেবল ওইরিবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর এন জি বালানা ফুটবোল মশান্নগী লমদা ফংলক্লিবা এচিভমেন্টশিং অসিবু শকখঙবা ওইনা মহাকসু ইন্সপেক্টরগী ফমদা প্রমোসন পীরগনি। লোয়নননা হৌখিবা মতমশিংদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংগী স্পেসল এল্লাওৱেন্স পীরন্নগা লেপখিবা অদু নৌনা অমুক পীননবসু হোৎনরগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা চহী অহুমগা থা নিপাললোম অসিদা ষ্টেট অসিনা অফবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লিবা অসি মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি লৈঙাক অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগীনি। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং হায়বদি গ্রেদ ফোরগী থাক্তগী চীফ সেক্রেটরি ফাওবা, পুলিস দিপার্টমেন্টকী ফ্লোৱারগী থাক্তগী দি জি পি ফাওবনা কন্না থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

লৈঙাক্কী অশোয়বশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংলুবা এম এল এশিং কিহন্দুনা লৈরে : কে রঞ্জিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি ওপোজিসনগী ৱাহন্থোক খঙদবগী মথক্তা লৈঙাক্কী অশোয়বশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংলুবা ওপোজিসনগী এম এল এশিং মখা তানা ৱা ঙাংলক্তনবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অয়েৎ-অপন পীরগা কিহন্দুনা লৈরে হায়না কোংগ্রেস এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙরাং শুগনু এ সীগী মনুং চনবা ৱাঙু লাইফম অৱাং চীংয়া লৈকায় অমদি ৱাঙু মমাঙ সাবল দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৱাঙুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা বি জে পিদা লৈরম্লবা মীওইশিং নৌনা কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকপগী তরাম্না ওকপগী থৌরমদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লৈবাক অমগী চাউখৎ থৌরাংগী লমদা ওপোজিসনগী রোল অসি অসুক্কী মতিক চাউই হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না...মখা লামায় ৩ কলম ৫

এম সি এস সি সি মেন এগজাম চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা রিভিয়্যু পিটিশনশিংগী জজমেন্ট রিজর্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কমিসন্না এপ্রিল ৭, ২০১৬তা থোকখিবা নোটিফিকেশন অমগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (মেন) এগজামিনেশন, ২০১৬ অদুবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা ওক্টোবর ১৮, ২০১৯ দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা কককথৎতুনা চৎহনখিদ্রবা মতুংদা মসিগী মায়োক্তা কোর্ট অসিমক্তদা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসনশিংগী ৱায়েল চথরবা মতুংদা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা লেগু মার্ক জজমেন্ট অমা ওইখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবশিংনা য়েংখোম জিবন এন্দ অদর্সকী রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২০, গ্লোরি চিংথিয়ানকিম এস পি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪গী মিসেলিনস কেস (রিভিয়ু পিটিসন) নম্বর ১৭ ওফ ২০২০, ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ অনদরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন ৪ ওফ ২০২০, ৫ ওফ ২০২০, ৭ ওফ ২০২০, ৮ ওফ ২০২০, ১০ ওফ ২০২০, য়েংখোম জিবন অমসুং অদর্সনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০২০, ৯ ওফ ২০২০, ১১ ওফ ২০২০নি।

রিভিয়ু পিটিসনশিং অসি মথংশীৎনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কমিসন (এম পি এস সি) এন্দ অদর্স, ওক্রম কেনেচি এন্দ অনদর, খোমদ্রাম রঞ্জন এন্দ ১০১ অদর্স, লাইশ্রম দেবান এন্দ ৩৪ অদর্স, সালিনি চিংথাম এন্দ ১৫১ অদর্স অমসুং য়ুম্লেম্বম সুরজিৎ এন্দ ১০১ অদর্সপু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এক্স-এম এল এশিংগী কেসকী হীয়ারিং চথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): জুন ১৮, ২০২০দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলনা দিসক্কালিফায় তৌখ্রবা এম এল এ ৪গী মনুংদা ২গী মতাংদা লৈখায় তাখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা এক্স-এম এল এ ২না মখোয়গী দিসক্কালিফিকেশনবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিশনশিংগী মখা চথরকপা ৱায়েলদা পার্টি অনীমক্কী কাওন্সেলশিংনা মখোয়গী আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিশন তৌনখ্রে।

হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱায়েল চথরিবা স্পীকর ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

চয়োল খরগী মনুংদা কোভিদকী ভেক্সিন ফংলবা য়াই : মোদি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অহুম ক্লিনিকেল চাংয়েংগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেজশিংদা লৈরি। এক্সপার্টশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমা অতেনবা মতমগী মনুংদা লৈরগনি হায়না থাজরি। মরম অসিনা লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা ভেক্সিন লৈরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ সিচুৱেসন, দ ভেক্সিন চেলেঞ্জস এন্দ দ ৱে ফোরৱার্দ হায়বা হীরমদা পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী লুচিংবশিংগা লোয়নননা ঙসি পাঙথোকখিবা ভার্চ্যুএল মীটিং অমদা মোদিনা হায়খি, ভেক্সিনশিংগী মমল লেপ্পা অমসুং ভেক্সিন য়েন্থোকপগী মতাংদা ষ্টেটশিংগা খন্ন-নৈনবা চথুরি। মীয়ামগী হকশেল ফনা লৈহনবা হায়বসিনা গভর্ণমেন্ট অসিগী তোপ প্রাইওরিটিনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অহমেদবাদ, হায়দরবাদ অমসুং পুনেদা লৈরিবা মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিশিংদা ভেক্সিন পুথোক্লবগী পায়খৎলিবা থবকশিং রিভিয়ু তৌবা লৈখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

লৈখিদবা মশীং হেনগৎলক্লিবসি অনাবা লোৎশিন্দুনা থম্বননি : রাজো

লৈখিদবা মশীং ২৯৫ শুখ্রে, কেস মশীংনা ২৫,৬৯১ য়ৌরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীং হেনগৎলক্লিবসি মীয়াম্না অনাবশিং লোৎশিন্দুনা থম্বননি হায়না হেল্থকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা হেল্থ দিরেক্টোরেটতা ঙসি চয়োল খূদিংগী পাঙথোকপা ৫রকশুবা পাউজী মীফমদা ডা. রাজোনা হায়খি, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খঙহৌদনা লৈখিদবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি অনাবশিং য়ুমদা মতম কুইনা লোৎশিন্দুনা থম্লুবদগীনি। মসি তৌবীগনু, হেক নারবদি খুদক্তা লায়েং চথনবা থৌরাং তৌবীয়ু মসিগীদমক ডোক্তরশিং লৈরি। লায়ওং উত্তবা মওংদা কোভিদ-১৯না নাবা অসিনা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯ অসি লায়ওং উৎতবা অনাবশিংনা হেন্না ফিভম শোকচিন্দ্রিঙৈদা হোস্পিটালদা পুরকপনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙমগনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

URGENTLY WANTED
IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE (IDC)

Sl. No.	Name of Post	Qualification	Post	Experience	Salary
1	Office In Charge	Graduate with good communication skills.	1	5 years or above in related field.	Negotiable
2	Marketing Manager	Graduate Preferred MR with good communication skills.	1	3 years or above in related field	Negotiable
3	Marketing Executive	10+2 & above Preferred graduate with good communication skills.	10	At least one year or above in related field	Negotiable
4	Computer Operator	10+2 or above with relevant cert.	1	2 years or above & must be good at Pagemaker and photoshop.	Negotiable
6	Senior Lab Technician	MLT or related documents	3	5 years exp. In related trade	Negotiable

Office Adress:Palace Compound, Govindajee Road, Near Castle Hotel, Imphal East, Contact no. 8118937765

HL-B/6522/12/11-11/12

হৌজরে হৌজরে
নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা
Manipur Cab Service হৌজরে।
মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।
Service starts 7:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.
Dial:
18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-B/6509/11th Nov. to 5th Dec.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫